ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ওল মণিপুর বার এসোসিএশন (অম্বা) গী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা থৌপুবা ৮না রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনদুনা ৱারোল মরি য়াওবা মেমোরেন্দম খুৎশিন্নখিবা


ৱিন্দমিলশিংদা পঙ্খা ৩খক পানবগী মরম করিগীনো? ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ রিলিফ কেম্প? রিহেব্লিটেসন কেম্প? ...

তমথীবা তাইবঙ'সিনা মঙহল্লকপা মঙ! ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী ২১শুবা নীংথম ...

দেল্লিগী চৎনহনখিদ্রবা লিকর পোলিসিনা লুপা ক্রোর ... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ পি সী সী ময়াইকোইবীনা রন ৬৭তা ট্রাও




ক্যামগৈগী খাগেম্বা কম্মিটিনা শীন্দুনা ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়গী ইবুধৌ খাগেম্বা মচা ইবুংঙোগী মশাইকোন্দা নৌনা শাবা চীংঙু মায়চৌ ৭কী মীতম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবা


Vol. 48, Issue No. 277 | নোংমাইজিং, ৱাকচীংগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, January 12, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুরদা থোক্লিবা লানসিদা বি জে পি লৈঙাক্কী খূৎ চাউনা য়াওরম্লে হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখ্রে

## এব্রোগেট তৌদ্রিবা 'সূ' চৎনরিবা মার লালহৌলূপ অমদা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ৬.২৭ লান্না পীথোক্লম্লে : মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখ্রবসু মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চোঙথোক্তুনা খামদবদগী মখা চত্থরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা ঈরাং অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী খূৎ চাউনা য়াওরম্লে অমসুং ঈরাং মনুংদা অরানবা মওংদা এব্রোগেট তৌদ্রিবা 'সূ' গ্রুপ্তা শেল পীথোক্লম্লে হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়, হৌজিক মণিপুরদা হাৎন-শুনবগী ঈরাং কন্না চত্থরিঙৈ চৈরক্তা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী মখাদা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমদা ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ৬.২৭কী শেনফম অরানবা মওংদা পীথোক্লম্লে অমদি হৌজিক থোক্লিবা লান অসিদা বি জে পি লৈঙাক্কী অচৌবা খূৎ য়াওরম্লে হায়দুনা মরাল শীখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০২২দা সূগী মখাদা লৈবা কাদরশিংগী ষ্টাইপেন ওইনা লুপা ক্রোর ২৭.৩৮ য়ুনিক বাইওমেত্রিক



আইদেন্টিফিকেশন নম্বর (য়ু বি আই এন) দা লিঙ্ক তৌদনা বি জে পি লৈঙাক্না লান্না পীথোক্লম্লগী ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা এসেমব্লিদা পীখৎলকপা রিপোর্টতা ফাওবা য়াওরিবনি। মসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেশন চত্থরিঙৈগী চৈরক্তা মমাঙ চহী ২০২৪গী জুলাই ৯দা ঈরাং য়াম্না কল্লিঙৈদা অমুক ইনৌ নৌনা মার পিপলস কনভেন্সন (ঐচ পি সী-দেমোক্রেটিক) হায়রিবা সূগী মখাদা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিদা লুপা ক্রোর ৬.২৭ অমুক অরানবা মওংদা পীথোক্লম্লে হায়খি।

বি জে পি লৈঙাক অসিনা ঐচ পি সী-দি হায়রিবা লালহৌলূপ অসিগী লালনৈকুং অমসুং জোসুৱা কৌবা মীওই অনীগী ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী একাউন্টতা লুপা ক্রোর ৬.২৭কী শেনফম চেক্কী খূত্থাংদা পীথোক্লম্বনি। অম্ব্রেলা স্কিম ওফ মোদর্নাইজেশন ওফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### লুহোংবা থা ৪ খক্তা ঙাইরিঙৈদা রিলিফ কেম্পতা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী 'চনু'

## অউনপোৎ পুরক্তবগী মপুরোইবা, মকুবোক ১সুং মতৈনা ওৎ-নৈবদগী শিজখিবনি হায়দুনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরক্লে

অহ্কা থোকচোম

**পুলিসনা মীওৎ-মীনৈ চত্থবগী মায়োক্তা কেস লৌখৎখ্রে, নুপা ময়ূমগী মীওইশিং ফাখ্রে, লৈখিদ্রবীগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে**

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

কুকি লমহেনবশিংনা মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লান চত্থরকপদগী রিলিফ কেম্পতা লিশাং শিৎনা চঙজফম লৌরক্লিবশিংগী মনুংদগী থৌরী য়ান্দুনা শিজবগী থৌদোক খরা থোকখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ৭কী নুংথিলদা মশাগী ইন্নফি অনী



মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রবী লুহোংবা কুইদ্রিবী সুখাম চনু (ওই) অমসুং মহাক্না ইন্নফিদা থৌরী য়ান্দুনা লৈখিদবা কা পুলিসনা য়েংশিনবা (ফাইল ফোটো)

শমজিন্নরগা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবী মশাগী চহী ২০ খক্তা শুখিবী সুখাম ওংবী চনুগী থৌদোক অসিদি অউনপোৎ পুরক্তে হায়দুনা মপুরোইবা, মকুবোক অমসুং মতৈনা মীওৎ-মীনৈ চত্থবদগী খাঙবা ঙমদদুনা শিজখিবনি হায়না পুলিসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট ফাইল তৌরক্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকিনা মৈতৈ অসি শুংচৎ চৎহল্লরোই হায়রবদি ঐখোয় চরা হেনগদৌরিবনি : এম এল এ রামেশ্বর

**ক্যামগৈদা চীংঙু মায়চৌ ৭কী মীতম মায়খুম হাংদোকখ্রে, ইমোইনু ইমাগী খুভমসু হাংদোক্তুনা ঈরাৎ থৌনিখ্রে**



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা কুকিনা মৈতৈ অসি শুংচৎ চৎহল্লরোই হায়রবদি ঐখোয় চরা হেনগদৌরিবনি হায়রদুনা ঐখোয়গী শেম্লোক লন্বী অমত্তা লৈতে। মরম অসিনা শূবা-নোম্বা মথৌ তারি হায়না কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) গী চেয়রমেন লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্যামগৈগী খাগেম্বা কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ খাগেম্বা মচা ইবুংঙোগী মশাইকোলদা নৌনা শাগৎপা লমদম অসিগী চীংঙু মায়চৌ তরেৎকী মীতম হাংদোক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা অমসুং ইমোইনু ইমাগী খুভমসু হাংদোক্তুনা ঈরাৎ-থৌনি চত্থবা থৌরমদা ময়ায় তাংবল লৌরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এ, এল রামেশ্বরনা মখা তানা হায়, মালেমগী মফমশিংগী মনুংদা চাইনা নৎত্রগা জপান ওইরবসু 'কৈ' হায়বসি থমদুনা চান-থক্নবা পোৎলমশিংগী পৈফম ওইনা শীজিন্নরিবনি। অসিগুম্লদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কসোম খুল্লেন : এম এল এ লৈসিওনা অসাম রাইফলসতা 'নখোয়গী নথৌ নত্তে' হায়দুনা চৈখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী কসোম খুল্লেন ব্লোককী মনুং চনবা হোংবৈ খুলগী খুঞ্জাশিংনা য়ূম শানবা অখাইবা উ ত্রকতা হাপ্তুনা পুরকপদা



এম এল এ লৈসিও কৈসিংনা ৪০- এ আরগী ওফিশলশিংদা চৈখিবা

হোংবৈ খুলদা লৈবা ৪০-অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ফানবা হোৎনরুবদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূক্রুখ্রে।

খোইশাওনরবা খুঞ্জাশিংনা এ আরগী কেম্পতা থোমজিন্দুনা মফম অদুদা মখোয় লৈবীরনু হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। খুঞ্জাশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী টিয়র গ্যাস সেলশিং খক্তা নত্তনা নোংমৈ রাউন্দ কয়াসু কাপখি। ফীভম অদুদগী খুঞ্জাশিংনা এ আরগী পোষ্ট অদুদা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মফম অদুদা লাকখিবা এম এল এ লৈসিও কৈসিংদা অসাম রাইফলসকী ওফিসর অমনা ৱাহং পাউহং চত্থবগী মওংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাং ফোঙদোক্লুবা হোৎনরুবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মফম কয়াদা 'ইমা ইমোইনু' গী ঈরাৎ থৌরম পাঙথোক্লুখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী হৌরদুনা লমদম অসিদা চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্ননা লৈরক্লিবা মীতৈ ফূরুপ্পা চহী খুদিংগী লনগী লাইরেম্বী 'ইমা ইমোইনু' গী ঈরাৎ থৌনি থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লুখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসি মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংনা মশা-মশাগী য়ূমদা পাক শন্না



ৱাকচীংগী ১২নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকপা পাঙথোক্লখিবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### অনৌবা চীফ সেক্রেটরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস):**

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্স (দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ত্রেনিং) গী দিরেক্টর শক্তি মিট্টলনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা মণিপুরগী ১৯৯৩গী কাদরগী আই এ এস ওফিসর প্রসান্ট কুমারবু মহাক্কী পেরেন্ট কাদর ওইরিবা মণিপুরদা অমুক হলহল্লকপদা কেবিনেটকী এপোইন্টমেন্টস কম্মিটিনা অয়াবা পীরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

### এয়রপোর্টতগী গঞ্জাগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস):**

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চীফ মিনিষ্টরনা সেনাপতিদা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে অমসুং উরেপ তমখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী মরাম কৈথেলদা লৈবা এন রাইসুং গ্রাউন্দদা 'টুৱার্দস এ ত্রান্সফোর্মদ সোসাইটি' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ৪২শুবা মরালুই করালিমৈ স্বিজোইকাং (মরাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন) গী কনফরেন্সতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মরাম খুল্লেন্দা মল্টি পর্পজ রুরেল দিভেলপমেন্ট সেন্টর অমা শঙ্গাখ্রে অদুগা মরামদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী নৌনা শাগদবা হোষ্টেল, টুরিষ্ট সর্কিট, মীয়ামগী শঙলেন, গেল্লরিগা কোন্নবা স্পোর্টস গ্রাউন্দ, লাইরৌ চীংদা শাগদবা এস দি ও ওফিস, মরাম সী ঐচ সীগী নৌনা শেমগৎকদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবশিংগী উরেপ তমখ্রে হায়রি। থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী হৌরদুনা মরামগী মীয়াম্না লৈমিন্নরক্লিবশিংগা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরক্লি হায়খি।

## অম্বানা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লিবর্টি ঙাক শেনবীয়ু হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

লৈবাক অসিদা লৈরিবা বার এসোসিএশনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা এসোসিএশন অমা ওইনা কুমজা ১৯৫১দা লীংখৎখিবা ওল মণিপুর বার এসোসিএশন (অম্বা) গী প্রসিদেন্ট পি তোমচা মীতৈনা লুচিংবা মীহুৎ ৮না ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপদা রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনদুনা পোইন্ট ৪ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দমদা পনখিবা পোইন্টশিংগী মনুংদা জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীচম তরুক হাৎখিবগী ৱাফম, মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্তুনা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেক দাউন চত্থবা, কুকি মিলিটেন্টশিংবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশননি হায়না লাউথোকপা য়াওনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ২১না পীরিবা মীয়ামগী পূন্সি কনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## শরেং মচা পুথোকপা মণিপুরনা অহানবা ওইরে : মিনিষ্টর দিঙ্গো

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :**

লৈবাক অসিগী মনুংদা শরেং মচা পুথোকপা মণিপুরনা অহানবা ষ্টেট ওইবগা লোয়ননা মমাঙ চহীদগী ফিশরি লোয়শঙনা ঙাগী পোথোক হেন্না পুথোক্নবা অকনবা থবক পায়খৎলকপদগী ঙসি পাঙথোক্লিবা ঙাগী মেলাদা ঙা য়াম্না পুথোকপা ঙম্লে হায়না লোয়শঙ অসিবু পুরিবা মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী লোয়শঙনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরমগা মরী লৈনবা অনীরকশুবা ঙাগী মেলাগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি নুমিৎ অসিগা ইরোয়ননা ইরমদমসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্তুনা তংদু লৈতানা লৈবা ওইরসনু হায়বগী পাউজেল পীখি।

লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্না ঙা পাম্না চানরি। ঙাগী পোথোক্তগী চাবনা হেল্লি। মরম অসিনা মপান্দা চৎখিবা শেলয়াম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোন্সাখুল অমসুং লৈলোন বাইফৈ খুলদা পব্লিক কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী কাংচুপ গেলজাং সব দিভিজনগী মখাদা লৈরিবা কোন্সাখুল অমসুং লৈলোন বাইফৈ খুলশিংদা খুদক্তগী বি এন এস এস-২০২৩গী সেক্সন ১৬৩গী সব সেক্সন ২গী মখাদা পব্লিক কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মহেশ চৌধরিনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। মহাক্কী ওর্দর অসিনা হায়বদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লবা খুলশিং অসিদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি-চান্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১


UNACCO SCHOOL
EXCELLENCE IN EDUCATION
KHONGMAN, CHANUNG, MEITRAM AND CHANURA, MANIPUR

ENROLL YOUR CHILD WITH JUST ₹5,000.
UNACCO SCHOOL STANDS FOR MANIPUR
No Fee Hike for 2025-26!

Affordable admissions open across campuses:
Chanung Campus (Residential): Enroll with ₹20,000 initial payment.
Khongman & Meitram Campuses: Enroll with ₹5,000 initial payment.

EXCLUSIVE CONCESSIONS:
- CHAIRMAN'S CLUB MEMBERS: Waive off of 3 months' tuition fees
- 4 siblings of same parents, FREE Admission & Tuition Fees for the 4th child
- 3 siblings of same parents, 50% of Admission & Tuition fees for the 3rd Child
- 10% concession on admission and tuition fees for the wards of Local parents, Active Loanees of UNACCO Group, Existing Vendors & Firms, Bankers and Media houses recognized by the Govt. of Manipur

FREE REGISTRATION!
Contact Your Nearest Campus:
Khongman: 813-107-0337
Chanung: 873-204-4313
Meitram: 841-496-6342

2025-26 ADMISSIONS OPEN
Admissions Closing Soon!
Follow us on:
www.unaccoschool.in

HL-B/9264/12


## লাঞ্জেল্লকপদা কুকিশিংনা মখোয়গী লোলদা নহা নুপী ২ য়াওরিবসি মুলহৌরসি হায়নখি য়ূমদা লোয়জরকপা ঙানু-য়েন খরা পুরকখিবদুসু মখোয়না লম্বীদা মুল্লগা লৌহৌখি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**লৈমতাক্তগী খুঞ্জা অমা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

হৌজিক্তি পীক্লিবা ইচাশিংসু অদুমক চাউখৎলক্নু হায়বা য়াবা নত্তে। নোংম-নোংমগী চাউখৎলক্লিবনি অদুবু ঐহাক্না খ্বাইদগী পেন্দবা অমা হায়বা তারগদি রিলিফ কেম্প অসিদা চাবা-থাকপা অমদি অনা-অয়েকশিং য়াওরক্লবসু হীদাক লাংথক পীবীবগী মথক্তা ডাক্তরশিংনসু মরক-মরক্তা লাকপীদুনা য়েংবীরি। মসিগী মথক্তা অঙাংশিংগীনি হায়দুনা নুমিৎ ১০/১০নিগী ওইনা লুপা ২০০/২০০ পীরিবা অসিনা শূফম-নোম্ফম লৈতবনিনা অৱাৎ-অপাশিংবুদি মেনখৎনরি। মরক্তা লৌ-শিং উবগী থবক লাক্লগা চৎতুনা য়াওরুবসু য়াওই। অদুবু শূবীনবনা য়াম্বা, থবক্লা ৱাৎপনিনা তোয়না লৌ শূবা চৎপা ফংদে। পেন্দ্রিবদি হৌজিক ঐহাক্কী ওইনা অপাম্বা করিসু লৈত্রে।

উখোঙ-ৱাখোঙদা তূম্লবসু, অমনবা ফিরোল শেৎলবসু ঐঙোন্দা করিসু থোইদোক্ত্রে। মণিপুর লৈঙাক্না চাবা থাকপীরি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা হৌজিক্তি পেন্থোকপা তম্লগে খল্লে। অদুবু নোংম-নোংমগী চাউশিল্লক্লিবা ইচাশিং অসিগী মহৈ-মশিং তম্বদা কায়থরক্লিবা, মখোয়গীনি হায়বা চপ-চাবা মফম অমা লৈতবনা মখোয়গী লৈফম হোংদোক-হোংজিন তৌরিবমখৈ মখোয়না লাইরিক তম্লিবা স্কুলসু হোংবগী ফীভমদা লাক্লিবা অসিদি নুংঙাইতে।

অঙাংশিংনা লাইরিক পাবদা খুদোংচাদবা অমসুং রিলিফ কেম্পতা ময়াম পূন্না লৈমিন্নবনিনা লাইরিক পাফম লৈতবা অসিগীদমক নুংঙাইতে। ৱাফম অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী লৈমতাক্তা লৈরম্বদগী মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা মে ৭, ২০২৩দগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা হৌজিক নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেক্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৩১ শুরবী ওইনাম ওংবী রিতানা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, লাঞ্জেন্নবদা য়াওদবা মশুং-মমান্নবশিংদি মনীং তম্না লাইরিক পানীংবা মতমদা পাবা ফংবা, ট্যুশন চৎনীংবা মফমদা চৎপা ঙম্লবসু রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা ইচাশিং অসিগীদি মখোয়গী মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না লৈফম লৈতবদগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপনা মখোয়গী মহৈ-মশিং তম্বদা অকায়বা ওইরগদ্রা হায়বগী ৱাখল পোক্লুক্লে। ইশা ইথন্তা ইচাশিং অসিবু তাইবঙপালগী মশক্তি খঙহনবীরগা মখোয়গী মনীং থুংহনবা ঙমদনা থন্বীরল্লগদ্রা হায়বগী ৱাখলনা অহিং অমত্তসু মীৎতগী পি তাদনা তূম্বা য়াওখিদে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙম্মি হায়রগনা হঞ্জিলহনবীরো নৎত্রগনা লৈফম পীদুনা লেঙদনা লৈহনবীরো, ইচাশিং অসি মফম খঙনা লেঙদনা লৈহল্লগা মহৈ-মশিং তমহনবা পাম্মী হায়দুনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, বিষ্ণুপুরগী লৈমতাক খুলদা লৈরম্বা মীতৈগী য়ূম ৩/৪গী মীওই লোইনমক লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫